**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-09-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৮-০৯-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিদা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদা শিজিন্নগদবা অনৌবা মখলগী গারিশিং মণিপুর ফায়র সর্ভিসনা ঙসি লমথাগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা গঞ্জা ললোনবা মীওই অনি য়াওনা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৬ ফারে। খূৎলাই কয়ামরুম ফংলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পঞ্জাবদা চত্তুনা রাজ্য অদুদা হৌজিক মায়োকরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনগনি।

**------**

**ফায়র (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মৈহৌ লাংপোক অমসুং মহৌশাগী খলনা থোকহল্লকপা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবা মণিপুর ফায়র সর্ভিসেসনা মতমগা চুনরবা খূৎলাই কয়ামরুম শিজিন্নরি। মণিপুর ফায়র সর্ভিসেসকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা মতমদা খুদক্তা মী কনবা অমসুং তেংবাংনবগীদমক অনৌবা মখলগী খূৎলাইশিং লৌশিল্লি। মসিগী শরুক

অমা ওইনা মণিপুর ফায়র সর্ভিসনা শিন্দুনা ঙসি মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা শিজিন্নগদবা গারি অমসুং খূৎলাইশিং লমথাবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি। ইম্ফালদা লৈবা দাইরেক্তরেট ওফ ফায়র সর্ভিসেসকী হেদক্বাতরদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মী কনবগী পোৎলমশিং য়াওবা ফায়র তেন্দর, মিষ্টি টেকোলোজি য়াওবা মিনি ৱাতর তেন্দর, লৈনুং হুৎপগী খুদোংচাবা য়াওবা মিনি ৱাতর তেন্দর লমথাবগী থৌরম ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায় তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি।

**পুলিস (এল)ঃ** হৌখিবা মতম খরা অসিদা রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম ফনা লৈরি। অদুম ওইনমক চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খূৎলাই অমসুং পোখাইবা য়াবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা সেকমাই পাঙলতাবীদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা ৭.৬২ এস.এল.আর ১, মেগজিন য়াওবা শেমদোক্লবা ৩০৩ রাইফল ১, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ৪, রিভোলভর ১, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট ২২ পিষ্টোল ১, আই.ঈ.দি ২, নোংমৈ মরুশিং, বুলেট প্রুফ জেকেট অমদি ৱায়রলেস সেটনচিংবা ফংবা ঙম্লে।

মীয়ামদগী শেল খাইবা অমসুং হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবশিং ফাবগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি। অককবা পাউ অমগী মতুং ইন্না- তেংনৌপল জিলাগী মোহরে পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা বোর্দর পিলর ৭৩ চোংজাংদগী ভি.বি.আই.জিসকী কাদর ৪ ঙরাং ফারে। নুমিৎ অসিমত্তুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লিলোং চজিং মমাঙ লৈকাইদগী কে.সি.পি অপুনবগী নুপী কাদর ১ য়াওনা মীওই ২ ফাখি। মখোয় মীয়ামদগী শেল খাইবা অমসুং লুপ অসিগীদমক নহাশিং রিক্রুইট তৌবদা

চেন্নবশিংনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা খাবম লমখাইদগী মীওই ২ গঞ্জা কিলোগ্রাম ৫০ গা কোন্ননা ফারে। পোৎলমশিং অদু সুইটকেস ৪ দা তোঙান তোঙানবা পেকেট ৪৭ তা হাপ্তুনা পুরম্বনি।

**আই.আই.টি(এল)ঃ** ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মণিপুর, মন্ত্রিপুখ্রিদা তেক্স মিন-আই.আই.আই.তি.এম মাইনিং সি.পি.এস সেন্তর ওফ এক্সলেন্স হৌদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা আই.আই.টি ধনবাদকী দাইরেক্তর প্রোফেসর সুকুমার মিশ্রা অমসুং আই.আই.আই.টি মণিপুরগী দাইরেক্তর প্রোফেসর কৃষ্ণন ভাস্কর শরুক য়াগনি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** বি.জে.পি খুরাই মন্দলনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা মন্দল অমসুং লেভেল এজেন্টশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জিলা পরিষদ চেয়রপর্সন, মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট, এদমিনিষ্ট্রেতিভ কম্মিতিগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

**রিজ্ৱান(এল)ঃ** ভারতকী খ্বাইদগী ৱাংবা অহুমশুবা গেলেন্তরি মনা বির চক্র ফংলকখ্রবা স্কৱারদ্রোন লিদর রিজ্ৱান মালিক ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী কৈখুদা পাঙথোকখ্রে। ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙ্গল ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিজ্ৱান মালিকতা শেংলবা পুরান য়াওনা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**দেফ্ট (এল)ঃ** পঞ্জাবতা পাঙথোকখিবা ১২ রক শুবা মিষ্টর দেফট ইন্দিয়া

২০২৫ দা মণিপুরগী সেনাপতি লিজাগী খামশোং খুঙ্গংদা লৈবা ভৈরিলৌ লানাহনা তারে। ওল ইন্দিয়া দেফট আর্টস এন্দ কলচর সোসাইতি অমসুং এম.এন.এস স্কিল ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগা পুন্না খূৎশমদুনা শিনবা চাংদমবা অদুদা অতৈ কনতেষ্টেন্ট কয়াবু মাইথিবা পীরল্লগা ভৈরিলৌনা তাইতল অসি লৌরকখিবনি। তাইতল অসি ফংবা অৰাংনোংপোক লমদমগী ওইনা মহাকা অহানবনি।

**পোল্যুসন (এল)ঃ** -‘রেজিং ফোর এয়র, এভ্রি ব্রেথ মেতর্স’ হীরমদা তরুকশুবা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ক্লিন ইয়ার ফোর ব্লু স্কাইজগী থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ট্রেন্নিং সেন্টরগী আর.দি. ৰিং কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অসি ইং ২০২০ দগী হৌদুনা চহী খুদিংগী তোঙান তোঙানবা হীরমদা পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্নবা উনবদা রাজ্যগী নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুইমেন হেলথকী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা.নিভেদা দেবীনা হায়- শেংদবা নুংশিৎনা অকোইবগী শক্তম অমদি মীওইবদা চৈথেং কয়ামরুম পীরি। ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না মীওই ১০০ গী মনুংদা মীওই ৯৯ দি অমোৎপা নুংশিৎপু শ্বর ওইনা হোঞ্জিল্লি। মহাকা হায়-

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পঞ্জাবদা চত্তুনা রাজ্য অদুদা হৌজিক মায়োকরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ঈচাউগী ফিভম য়েংশিন্দুনা ঈচাউকী অৰাবা নংলবা মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি। পঞ্জাবকী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট সুনিল ঝাকরনা হায়-রাজ্য অদুদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম প্রধান মন্ত্রিনা লুমা লৌবগা লোয়ননা ঈচাউগী ফিভম

কুপা য়েংশিল্লি।

কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিভরাজ সিংহ চৌহান্না রাজ্য অদুদা চত্তুনা ঈচাউ অদুনা কয়া য়ামা শোকহল্লবগে হায়বদু য়েংশিনখি। মসিগী মথক্তা কেন্দ্রগী মন্ত্রি কাংবুগী টিম অনি মফম অদুদা লৈদুনা ঈচাউনা কয়া য়ামা মাং তাকহল্লবগে হায়বদু য়েংশিল্লি।

মরক অসিদা পঞ্জাবতা ঈচাউগী ফিভম তপা তপা ফগৎলক্লি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪৬ লৈখিদ্রে। ভারত লান্মী, বি.এস.এফ অমসুং এন.দি.আর.এফনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথুরি। ঈচাউ অসিনা খুঙ্গং লিশিং ২গী মীওই লাক্ষ ৩ লিশিং ৮৭ শোকহল্লে।

উট্টর প্রদেশকী জিলা ৪৮ হৌজিকসু ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক খোঙজেল য়ানা চংশিল্লি। রাজ্য অদুদা চেনবা মরুওইবা তুরেলশিং- গঙ্গা, জমুনা, সরদা অমসুং রামগঙ্গা ঈমাই পাথোক্তুনা চেনবগা লোয়ননা লম হেক্তর লিশিং ৪১ রোম ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

**এসসিঃ** মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা বিহারদা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) চথনবা ইলেক্সন কম্মিসননা জন্ ২৪ দা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু শিংনরদুনা থারকপা ৱাকৎশিংগী বিচার ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা চথুরগনি।

জষ্টিস-সুরিয়া কান্ত অমসুং জষ্টিস-জোয়মালিয়া বাকচিগী বেঞ্চ অমনা রাস্ত্রিয়া জনতা দল (আর.জে.দি), ওল ইন্দিয়া মজলিস ই টিতেহাদুল মুস্লিমিন (এ.আই.এম.আই.এম) অমদি অতৈ মীওই কয়ানা পুখৎলকপা ৱাকৎশিংগী বিচার চথগনি। রাজ্য অদুদা চথখিবা এস.আই.আরদা অপুনবা ভোটর কোতি ৭ লাখ ২০ রোমগী মনুংদা চাদা ৯৯.৫ দি মখোয়গী দরকার লৈবা চে-চাংশিং পীখৎলক্লে হায়না ফোংদোকখিবনি।

**হোক্কি ঃ** ভারতনা এসিয়া কপ হোক্কিগী চেম্পিয়ন ওইরে।

বিহারগী রাজগীর ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অমদা ভারতনা খা কোরিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখিবনি। ভারতকী পাঞ্জলশিং অদু দিলপ্রিট সিংহনা ২, সুখজিট সিংহ অমসুং অমিট রোহিদাসনা ১-১ চনখি। কোরিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা দেন সোননা চনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিষ্টর সেপ্তেম্বর ১৩ দা লাক্লগনি, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট, এম.এল.এশিং রাজ ভবনদা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঙসি ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- সাইতুগী কুকি অমদি লিয়াংমাইশিং উনখ্রে, অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌনগদবনি হায়বা পাউ অমা অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লানা প্রাইম মিনিষ্টর লাকপগী মাংওইননা মিনত ৪০ মুক্কী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সু কেম্প হোংজিল্লক্লবদি কুকিশিংনা চৎনরিবা লম্বী থিংজিল্লগনি হায়বা পাউ অমা- সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

বিহারদা পাঙথোক্কদবা লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রবসু মণিপুরদদি কান্নগদ্রা, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক শিনবা থুংনা-স্পিসিয়েল ইলেক্তোরেল রিভিজন পাঙথোকবা শেম শারে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর খোঙচৎকী মাংওইননা ফ্রি মুভমেন্ট তৌহল্লগনি হায়রবসু রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়গীদি প্রি-ফেব্রিকেতেট হাউসতা পন্থুং ওইহনগদ্রা হায়বা পাড পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙবা থেংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- পি.এমগী মণিপুর খোঙচৎ মাংওইননা গভর্ণর এ.কে ভাল্লানা এম.এল.এশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লমদম অসিগী তংদু লৈতাবা পুদুনা লাক্কনি হায়না মীয়ামা ঙাইনরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- তামেংলোং জিলাদা দ নেসনেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী কম্মিতি হৌখিবা থাংজদা শেমখ্রে হায়বা পাউ অমদি তামেংলোং ফুটবোল লিগকী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিয়ু.পি এফ.সিনা চেংদাই নামজৱান এফ.সিবু পেনালতি সুট আউটতা থোইখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- তৌসেম এস.দি.ওনা মুৎখ্রগনি হায়বা থেঙ্গু মখল অনি তামেংলোং দি.এফ.ওগী খুথাংদা মণিপুরজ়লোজিকেলদা খুৎশিন্নবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতি জিলাগী ওইনা রাজ্য থাক্কী অহানবা ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকখিবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনলি।

**--পাউ লোইজরে--**